# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ সিতাফল

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ






**রামায়নগা** মরী লৈননা থোনবা পাম্বীশিংগী মনুংদা সিতাফল অমসুং রামফল হায়রিবা পাম্বী অনী অসি থোইদোক্লা মরু ওই। পাম্বী অনী অসিগী শাগৈ অমসুং জেনেরা মান্নজরবসু থোইদোক্লা খেন্নবা হায়রবদি সিতাফলগী মহৈ অদু সেন্টিমিটর ৫দগী ১০ ফাওবা শাংই অমসুং হেক য়েংবদা অমসুং পায়বদা উচান পাম্বীগী মহৈগুম্না মক্রক-মক্রক লাওই অদুগা রামফলগী মহৈ অদুনা সেন্টিমিটর ৭তগী ১২ ফাওবা শাংই অমসুং মহয় অদু হেক য়েংবদা উচান পাম্বীগী মহৈগুম্না মক্রক-মক্রক মানজরবসু খূৎনা পায়বদদি শিৎ নাল্লি। সিতাফল পাম্বীগী মনা অদু খরা তেল্লি অমসুং পাকই অদুগা রামফলগী মনা অদুনা চপ্পি অমসুং শাংই।

সিতাফল পাম্বী অসি ইংলিসতা সুগর এপল (Sugar apple) নৎত্রগা স্যুইতসোপ্স (Sweetsops) নৎত্রগা সুগর পাইনেপল (Sugar-pineapple), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *এন্নোনা স্কামোসা (Annona squamosa Linn.)* নৎত্রগা *এন্নোনা এসিয়াতিকা (A. asiatica Linn.)* নৎত্রগা *এন্নোনা সাইনেরিয়া (A. cineria Dunal)* নৎত্রগা *এন্নোনা ফোর্সকালি (A. forskahlii DC)* নৎত্রগা *গ্বানাবানস স্কামোসস (Guanabanus squamosus (Linn.) M. Gomez* হায়না কৌই অমসুং *এন্নোনেসী (Annonaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। মণিপুরদাময়াম্না সিতাফল হায়না কৌনরিবা পাম্বী অসিনা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *Passiflora edulis* হায়না কৌই অমসুং *Passifloraceae* শাগৈগী মনুং চল্লি।

সিতাফল পাম্বী অসি ফুট ২৫ ফাওবা ৱাংবা মতোন্দা মনা য়াম্না পুঙবা অদুগা মনা ইকেন-কেনগন্দবা মশা য়াম্না লোঙবা উ পাম্বী মচা অমনি। সিতাফল পাম্বী অসি অমেরিকা অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজগী খরা শারপ তৌবা ত্রোপিকেলগী লমদমদগী হৌরকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজন্নরবসু পাম্বী অসিগী চপ-চাবা হৌরকফম অদুদি খঙদে হায়না পাউদমলি। অদুবু পাম্বী অসি ঙসিদি ইন্দোনেসিয়া, থাইলেন্দ অমসুং টাইৱানগী খরা শারপ তৌবা সব-ত্রোপিকেলগী লমদমশিংদা য়াম্না পাক শন্না থান্নবগী পাউদমশিং লৈ। খা থংবা এসিয়াগী লমদমশিংদা সিতাফল পাম্বী অসি কুমজা ১৫৯০গী মমাঙদগী পুশিন্দুনা থাখিবনি হায়না পাউদমলি। ঙসিদি পাম্বী অসি অমেরিকাগী খা থংবা ফ্লোরিদা অমসুং ব্রাজিলগী লমদমশিংদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌখ্রে। পাউদম অমগী মতুং ইন্না সিতাফল পাম্বী অসি ইন্দিয়া অমসুং ফিলিপিন্সতা ১৬শুবা চহী চাদা স্পেনিষ্ট (Spanish) অমসুং পোর্টুগিজ (Portuguese) শিংনা পুশিল্লক্তুনা থাবা হৌখি হায়বসিনি।

সিতাফল পাম্বীগী পোলিনেসন হায়বদি লাবা অমসুং অমোমগী কয়াৎশিং অদু হকতিন্নবগী থবক অসি এপিস মেলিফেরা (Apis mellifera) হায়রিবা হয়িংখোই অসিনা তৌই। সিতাফলগী মহৈ অসি কম্পাউন্দ ফ্রুট (Compound Fruit) হায়বদি Free Carpel ময়াম অমনা পুনশিন্দুনা শেম্বনি অমসুং মদু হেক য়েংবদা উচান পাম্বীগী মহৈ মালি। মহৈদুগী মনুংদা য়াওবা মতোং অদু হঙ্গাম মপাল মচু চঙলপ তৌই অমসুং য়াম্না নুংশিবা মনম চেল্লি লোয়ননা খূৎনা মেৎখায়বদা মরুম-মরুম য়াওবা থেংনবীগনি। মহৈগী কার্পেল খুদিংমক্তা অমুবা মচুগী সেন্টিমিটর ১.৫ রোম শাংবা নাকল অনীমক্তা হুইথবা অরংবা মরূশিং পাল্লি। অমুনবা মহৈ অদুগী কার্পেলশিং অদু খূৎনা লায়না শেত্তোকপা য়াই।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না সিতাফল পামবীগী মরাদা চাং খ্বাইদগী য়াওবা এলকালোইদ (Alkaloid) অসি এতিসিন (Atisine) হায়না কৌই। মসিগী মথক্তা য়াওবা অতোপ্পা এলকালোইদশিং অদুদি ওক্সোফোবিন (Oxophoebine), রেটিকুলিন (Reticuline), আইসোকোরাইদিন (Isocorydine), মিথাইলকোরাদেলিন (Methylcorydaline) অমসুং Quercetin-3-O-glucoside হায়রিবা ফ্লেভোনোইদ অসিনচিংবনি। AG Bayer হায়রিবা সাইন্টিষ্ট অসিনা সিতাফল পাম্বীদগী এসিতোজেনিন এন্নোনিন (Acetogenin annonin) হায়রিবা তীল-কাঙ হাৎপা ঙম্বা বাইওপেষ্টিসাইদ (Biopesticide) অসি শুংদোকপা অমসুং পুথোক্তুনা পেতেন্ট (Patent) লৌখি।

সিতাফল পাম্বী অসি মীওইবনা মখল মখা কয়াদা শীজিন্নে। পাম্বী অসিগী অমুনবা মহৈ অসি য়াম্না হাওবা উহৈশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনৈ অমসুং কৈথেলশিংদা য়োনবা থেংনৈ। ফিলিপিন্সতা সিতাফলগী অমুনবা মহৈ অসি কাবাঙ (Kabang) নৎত্রগা কাবোঙ (Kabong) হায়না খঙনবা শেকপী মখল অসিনা য়াম্না পাম্না চাবা থেংনৈ অমসুং পাম্বী অসিগী মরূ অদু মফম অমদগী অতোপ্পা মফমশিংদা পুদুনা চারা শন্দোকপদা চাউনা মতেং পাঙই। সিতাফল পাম্বী অসি Graphium agamemnon (Tailed Jay) হায়রিবা কুরাক অসিগী মরুম কোকফম ওই।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না সিতাফলগী অমুনবা মহৈদা ভিটামিন সী অসি কোন্নাদগী হেন্না য়াওই। Morton হায়রিবা সাইন্টিষ্ট অসিনা কুমজা ১৯৮৭তা পীখিবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না সিতাফলগী মহৈদা আইরন, কেলসিয়ম অমসুং ফোসফোরসকী চাং অসি য়াম্না য়াওই। অমুনবা মহৈ অসিদগী মখল মখা কয়াগী হৈ-মহীসু শুম্নে। পাউদম অমগী মতুং ইন্না সিতাফলগী মরূ অসি হূ চেল্লি অমসুং মদু তীল-কাঙ অমসুং কোক্তা লৈবা হীকপী অদুসু হাৎপা ঙম্মী। সিতাফলগী মরূদা থাও অমা য়াওই অমসুং মদুদগী হূ অদু লৌথোকখ্রবা মতুংদা অচাথাও ওইনসু শীজিন্নে। হায়রিবা থাও অসি শাবুন (শাপোন) শাবদসু শীজিন্নে। পাউদম অমগী মতুং ইন্না হূ য়াওবা থাও অদু মীত্তা চঙখ্রবদি মীৎ অদু তাংহনবগী ওইথোকপশিং লৈ। সিতাফল পাম্বী অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী অরুম-লাইহৌ তৌবা, খোঙ-হামথবা, তাং চাউথোক্তুনা চীকপা নাবা তৌবা অমসুং ঈশিং মরী নাবদা মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংনৈ। ইন্দিয়াদদি সিতাফল মনা শুগাইদুনা লৌবা মপং অদু থোমদুনা খুদক্কী ওইবা অশোক অপন তৌবদা ঈ খক্লবা অমসুং থুনা ওইশিলহন্নবা হীদাক ওইনা শীজিন্নে। থায়নগী লায়েংদা সিতাফল মনা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা খোঙ হামথবা অদু লায়েংনৈ। সিতাফলগী মনাদগী পর্ফ্যুম অমসু শেম্মী। পাম্বী অসিগী উগী মকু অদুদগী লংসু শুংনৈ।

# জয় প্রকাশ নরায়ন

মনিহার গোশ্বামী

**কুমজা ১৯৪২গী** ওগষ্ট ৮দা ফমখিবা এ আই সী সী মীফম অদুদা মহাত্মা গান্ধীজিনা মিনিট ৭৫ চুপ্লা ৱা ঙাঙখি। কুমজা ১৯৩৯দা সুবাশচন্দ্রা বোসনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইখি। মীফম অদুদা মহাত্মা গান্ধীজিগী মীরেপতি মহমদ মিতামিয়ানি। অদুবু কুইট ইন্দিয়াগী ৱাফম লৈবনা কোংগ্রেসী পূম্বনা নেতাজিবু খনখিবনি। অদুবু নেতাজি ১৯৪০দা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট থাদোক্তুনা ফোরৱাদ ব্লোক লীংখৎলম্মগা ইন্দিয়া থাদোকখ্রে। ৱাফম অদু খঙনা থম্মোয় শোক্লা গান্ধিজিনা কুইট ইন্দিয়াগী ৱারোল অসি লৌখিবনি। বোম্বেদা ফমখিবা মীফম অদুগী অথেংবা অহিংদা লৌখিবা ৱারেপ অদুনা ওগষ্ট ৯গী অয়ুক্তা মতম অদুগী কোংগ্রেসকী লুচিংবা পূম্বা বৃটিশনা ফাজিনখি। মহাত্মা গান্ধী, সরদার পটেল, মহমদ জাকির হুসেন, নেহরু, রাজেন্দ্র প্রসাদ, দাক্তর কৃষ্ণমেনন অসিনচিংবা কোংগ্রেসকী লীদরশিং কয়া য়াওনা লৈবাক অসিদগী অন্দোলনকারি লিশীং ২০ হেন্না ফাজিনখি।


মতম অদুগী ওল ইন্দিয়া রেদিও অশেংবা ইন্দিয়া মীয়ামগী ওইদে। বৃটিশকী পাউজেল পুদুনা লৈখি। অসিগুম্বা মতম অসিদা ইন্দিয়াগী মফম অমদগী ফ্রীদম রেদিও অমা থোক্লকখি। অদুগুম্বা রেদিও অদুনা হিন্দুষ্টান হমারা হায়বা মহম্মদ ইকবালগী শৈরেং অদুনা ইন্দিয়া পূম্বগী পূক্লিং ফাথখি। অদুগুম্বা রেদিও অদুগী ইনাওনসরনা উশা মেহতানি। দাক্তর লোহিয়াগী খুজিল থৌরাংদগী ফ্রিদম রেদিও অদু থা ৩/৪ চুপ্পা লৈরমই। অদুবু কুইবদি য়াদে। অদুনা কুমজা ১৯৭৫গী জুন ২৫দা ইন্দিয়াদা ইমার্জেন্সি লাউথোক্লমদাইদা ওল ইন্দিয়া রেদিও অমদি পাউচেশিংবু অথিংবা শরুক খরা লাকপদনি চহী ৭৫ শুরবা জয় প্রকাশ নরায়ন্না নৌহৌনা পোলিটিক্সতা থোরক্তুনা ইন্দিয়াদাদা ইমার্জেন্সি শিংনখিবনি। রাম লিলা গ্রাউন্দদা থোক্তুনা ৱা ঙাঙবগী পুলিসনা থিনা টোচর তৌখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতৈ মফমদা অন্দোলনকারি ফাখিবগুম মণিপুরদসু লাইশ্রম অচৌ, মধুমঙ্গল শর্ম্মা, য়েংখোম থম্বাল, রঘুমনি শর্ম্মা, হাওবম ইবোয়াইমা, লোইতোংবম ইবোয়াইমা, সলাম গৌরচন্দ্রনচিংবা কয়া ফাখি। মতম অদুগী ইমর্জেন্সিগী ঈহৌবু শৌগৎপা চীং-তম পাউচেসু থিংখি। লোয়ননা ঐ ইশামক অমদি বি বি শর্ম্মা অসিনচিংবা লোক সংগ্রহ সমিটি, আর এস এসকী কর্ম্মি কয়াসু পুলিসনা তান্নখিবনি।

নীংশিংবা য়াবা অমনা কুমজা ১৯৫৪গী অচৌবা মুভমেন্ট অদু খঙখিবা অমদি মদুদা ভলুন্টিয়র ওইখিবা রিশাং কৈশিং, ৱাই ইমো, ইরেংবম বিজয়, আর কে দরেন্দ্র, নোংমৈকাপ্পম ইবোতোম্বী, রাজকুমার মনিস্না, ইরেংবম তোম্পোক, লিশম রোবিন্দ্রো, থাংজম করনাময় অসিনচিংবা কয়ানা অন্দোলন অদু শৌগৎখি। অমরোমদা কুমজা ১৯৭৫গী মণিপুরদা শক্তি পায়বনা ইমার্জেন্সি মতমদগী কোংগ্রেসকী লৈঙাক পায়মিন্নরিবা সী পি আইনা ইনি দয়াদা নেতাজি, জয় প্রকাশ নরায়ন, ডা. লোহিয়াবু মতম অদুদা লান্না প্রচার তৌরবসু মণিপুরগী কোংগ্রেসকী লৈঙাক পুরিবা রিশাং, দরেন্দ্র, তোম্পোক্তি মাগী মাগী অরোনবা কাদা নেটাজি, জয় প্রকাশ নরায়ন, লোহিয়াগী ফোটো থেৎপা কাঙবুনি হায়রিবসি নিংথিনা খঙখি।

মমাঙগী থা জন্যুৱারীদা ফমখিবা ভেটরান সোসিএলিষ্টশিংগী মীফম অদুনা হন্দক পুথোক্লিবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী বজেট অসিদি শিন্মীশিংগী মায়োক্তা লৈবনি। মসিনা ইন্দিয়া মীয়ামগী মফমদা করিসু তৌনীংঙাই ওইরোই হায়রি। মসিনা ঙসিগী লৈঙাক্লা লুম্না লৌই হায়রিবা ৱিমেনশিংগী মফমদসু হোৎনরিবা কাহেন্না হায়রি। ১২০ বাবর রোদ, ন্যু দেল্লিদা প্রোফেসর রাজকুমার জৈন্না প্রসিদেন্ট ওইদুনা ফমখিবা মীফম অদুদা অচার্য্য নরেন্দ্র দেব, দাক্তর রাম মনোহর লোহিয়া, জয় প্রকাশ নরায়ন, মিনু মাশানি, মধু লিমায়, অরুনা আশ্রবআলি অসিনচিংবা ইন্দিয়ন সোসেলিষ্ট লীদরশিংগী ফোটোদা লৈ-শু কৎখি। অদুগুম্বা সভা অসিদা কমরেদ হরবন্ত সিংহ, জেনরেল সেক্রেটরি হিন্দ মজদুর সভা, প্রো. প্রেম, করবান সানি, প্রো. হরিশখনা অসিনচিংবা কমরেদশিংনা ৱা ঙাঙখি।

ঙরাং তাং ২দা ফমখিবা হিন্দু মজদুর সভাগী মীফম অমনসু হন্দক্কী কেন্দ্রগী বজেট অসিনা মণিপুরগী নোংথোম্বম বিরেনগী লৈঙাক অসিদা কয়া য়াম্না মীয়ামগী চনিং তানা থৌগল তৌবা ঙমগদগে হায়বা য়েংবা তারি। কুমজা ১৯৫৪গী অন্দোলন অদুদা য়াওরুবা শিংজমৈ মথক থোঙাম লৈকায়দা লৈবা ঐগী মরুপ লৈহাওথাবম নদিয়াচান্দ শর্ম্মানা ইরম্বা চেফোঙ



অমদা অসুম্না ইরি- কুমজা ১৯৫৩গী ওক্টোবর ১২দা সৱাইজম সমরেন্দ্রগী য়ূমদা সোসিএলিষ্টকী মীফম অমা পাঙথোকখি। ষ্টেটহুদকী অন্দোলন হৌদ্রিঙৈদনি। মসিদা খ্বাইরাকপম গীরি, থৌচোম চন্দ্রসেখর, লাইশ্রম কুল্লচন্দ্র, নামৈরাকপম নিলমনি, কারাম মৈপাকপী, থৌচোম অমুমচা অসিনচিংবা সোসিএলিষ্টকী মরু ওইবা মীওই কয়া উখি।

সভা অদুদা দাক্তর লোহিয়া, সুচিত্রা কৃপালিনী, হরেশ্বর গোস্বামী, বরঠাকুর শর্ম্মা অসিনচিংবা মীফম অদুদা য়াওখি। নবেম্বর ১৫দগী হৌগদৌরিবা অন্দোলন অদুগী অরোইবা ৱারেপ্লবনি। রিশাং কৈশিং, কে এন ভি সোলোমোনসিনচিংবা চীংমী লুচিংবা কয়া চুড়াচান্দপুর, চান্দেল অসিনচিংবগী লীদর কয়াসু য়াওই।

থা খরসিদা লাইশ্রম অচৌ, চন্দ্রসেখর, ইরেংবম বিজয়, লিশম রোবিন্দ্রো, পোৎশংবম তোমচৌ, পাউখোথাং মিশাও, রাজকুমার অঙৌম্না, চিঙ্গাবম গৌরহরি, রাজকুমার দরেন্দ্র, ইরেংবম তোম্পোক, রাজকুমার থম্বালসন্না, জি নিমায় শর্ম্মা অসিনচিংবশিং মীফম অদুদা য়াওখি।

বেজ বেজ নাইনা নবেম্বর ১৫দগী সত্যগ্রহর আন্দোলন খোঙথাং ভলুন্টিয়রশিংনা লাংখি। তশেংবু আন্দোলন অদুগী পান্দমদি মণিপুর মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইবনি। ষ্টেটহুদ ফংলবদি মপূং ফাবা গভর্ণর, হায় কোর্ট, য়ুনিভর্সিটি, এদভোকেট জেনরেল, কম্মিসন মথং মথং লাক্কনি হায়বসিদা থাজবা থমদুনা চঙশিনখিবনি।

মতমদু মণিপুরদা অসাম জেল মেনুয়েল এক্ট ১৮৯৪নি। মণিপুরগী জেল মেনুয়েল অসিনা এ ক্লাসতা পীদুনা খুদোংচাবা পীদে। অচৌ, রিশাং কৈশিং, এম এল এ অমদি পোলিটিকেল লীদরশিং অসি বি অমদি সীদা পী। অদুনা জেল অথরিটিনা মীশক য়েংলগা খরা খরদি খুদোংচাবা পীবনি।

মতমদুগী গভর্ণমেন্ট এদভোকেট নোংমৈকাপ্পম ইবোতোম্বীনা ওই। মাজিষ্ট্রেটনা তিয়াখমনা পুই। মতমদুগী (১৯৫৪-৫৫) দি সীনা সুন্দরম অদুগা মেদিকেল ওফিসরনা কেপ্তেন দাক্তর ভাসিনা ওই। অদুনা মণিপুরগী অন্দোলন অদু মীয়াম হুপ্পা তৌবনি হায়বসি লৈঙাক্লা খঙই। তশেংবসু মণিপুর কোংগ্রেসসু চহী অসিদা ফমখিবা এম পি সী সীগী মীফম অমনা মণিপুরদা আইন সভাগী অন্দোলন তৌগনি হায়বা ৱারেপ লৌরগা পাঙথোকখি। মরুওইবা নেতাশিংনা সোসিএলিষ্ট য়াওদুনা অচুম্বা পাম্বা কোংগ্রেসকা পূনখিবনি।

মতম অদুগী পোলিটিক্সকী লুচিংবশিং মীয়ামগী থবক্তমক খনবনি। মশাগী কাঙলূপকী লৈকায়গী ৱাফম য়াওদে। পোলিটিকেল পার্টিশিং অমগা অমগা চোঙথোক চোঙশিন তৌনদে। নিতিদা য়ূম্ফম ওইদুনা অচেৎপা ফীরেপ লৌদুনা পোলিটিক্স তৌনবা ঙাক্তনি। পার্টিসু মশীং য়ামদে। কোংগ্রেস, সোসিএলিষ্ট অমদি কম্যুনিষ্ট পার্টি ৩ অসিনা লৈবাক্কী থৌগল তৌরমই। য়ূম-কৈ, শম্পতি, লৌ-ইঙ্খোল, অফবা গাড়ীদা মিৎয়েং তারমদে।

## মরোল থোকপা লাই




## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৫

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি মীতৈ থাচৎকী অরিবা মমিংশিংনি। হৌজিক্কী মমিংদা ওন্থোকউ : (ক) থবি (খ) চিনবী

২। "চরুগী মী/মশাসু চরুনা শাবা/মকোকসু চরু ঙাক্তা ঙায়বা" পরেংশিংসি 'চরুগী মী' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "তারিবরা হিংচাবী/নঙগী রাজকুমারদো ডাক্তর নুপী অমগা লুহোংখিদৌরে।" পরেংশিং অসিনা মোইরাংথেম রাজেন্না ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "অফাবা মশমদু তনখোম খোমগৎতুনা চেৎনা পুনশিনখি। মিৎনা কূপ্পদা...থাঙদু লৌরগা...মপূরোইবগী মথবাক্তা থূম্না থিংজিনখি।" পরেং অনীসিনা 'পনখৈদুগী ৱাংমদা' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। তেলেগু কবি এন গোপিগী শৈরেং লাইরিকপু মণিপুরীদা 'মতম্বু ঐনা তূমহল্লোই" হায়না হন্দোকখ্রে। হন্দোক্লোইদু কনানো?

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**